# ঐখোয়’ ইমাসে পাম্বদি ত্রৎ লাউখৈ পাম্বা অদুবু নুংশিবদি নত্তবা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

‘সুম য়েংলিনি তাইবঙপানসিদা থোক্লিবা অৱা নুংঙাই থৌদোক ময়ামসি। নুংঙাইবগী থৌদোক্না হীংমুক্তনি। অৱাবগী থৌদোক্তি মশীং লাকঙমদে। মী ওইনা পোক্লবদি অমুক শিবদি শোয়দ্রে, অহান অকোনগী ৱাখক্লি হায়বসি খঙদবা মী য়াওরম্লোই। অঙাং ফাওবা চহী মরি মঙাগী মতাং য়ৌরক্লদি শিবা হায়বসি পুল্লোই লোইখ্রে, শক্তমদু অমুক হন্না উবা ফংলরোই হায়বসি খঙই। মসিমক্তদা মী হায়বা জাৎসিনা তৌরিসি, অঙম অঙম্বা হাত্তোক্লবীনি। মীওইবগী পুৱারীদা লান কয়া থোকখ্রে, থৱায় কয়াসু লানঙমদনা লানখ্রে। পূম্নমক অসিবু নোংদম্বা মাগী থৌশিলনি হায়বা য়াদোইরা নৎত্রগা তাইবঙ জিবলক্তগী অথোইবা ওইরিবা মীওইবনা তৌগে মতাগুম তৌরিব্রা হায়বসি হংবা য়াবা ৱাহংনি। ৱাখল খন্থবা ঙম্বগী শক্তি ৱাৎপা হুইগুম্বা হৌদোংগুম্বনা পঙলাক লাক্লবা পংঙং ঙংনবদি মনাৎনি হায়বা য়াই। শিংবদা পশিং থোক্লবা মীওইবা মশেল হাৎনবসিমদি সুকতৌ তৌহনফম থোক্তে। কনানো হৌরক্লিবদু থিদোক্লগা তৌহন্দনবা হোৎনবা, মদুদা য়াদ্রবদি মপূন্সিগী মী হাৎপা ঙমদনবা অহকপা চৈরাক পীফম থোকই। নামা হায়রিঙৈদা য়াদবজাত্তুদি পোৎমা সিদা লৈরে পুরোসে হায়না কিৎ হেক নমশিনগদবনি।

আ অরাপ্পা ইরান-নোংলান, ইজরেল-নোংজরেল, য়ু এস এ অদু অদাদি তুংদা থমখিসি। ঐখোয়গী ইমা লৈবাকসি অমুক্তং য়েংখিসি। অসুক নুংশিবা অসুক ফজবা, অতাঙবা লমদমনি। সনা লৈবাক, খৈনা য়াংকোক মওং, শুম্ফৎয়াই ওইবী শক্তম্নি হায়না শৈথারল্লিবনি। মসি ওইরক্লবা হোৎনবদা চহী চা কয়া চঙনা হোৎনরকখ্রবনি। অথৌবা কয়াগী ঈখেংনা চীং-মান, লৌবুক-লম্হাংদা চাইথবীরল্লবনি। মসিমক্তদা ঈরৈচা মশেল মরক্তা কল্লক খস্বন্নবা খুৎরক্কী ঈনা লাই শাবা য়াওরকপদগী অৱাবা থৌদোক্কী পুৱারী তাঙ্কক খরসু লৈখ্রে। সনাগী য়েরুম কোকপী, হী-য়াইগী ঈফুৎ ওইরিবী, চীংদা য়েংই ৱাত্তবী তমদা য়েংলসু তাদবী ইমানি। মসি খঙবনা মীতোপ মীরম্না ইমাবু পাম্বসি পামখ্রবোই। বর্ম্মা, বৃটিশ মথং-মথং...। ইমা অমদি ইমাগী মচাশিংনা কয়াগী মতিক অৱা হুইজোং লাংখিবা, পুৱারীগী লমায়শিংদা লেঙদ খুদম ওইনা লৈরিবসিনি।

অপুনবা ইন্দিয়া শাগৎপদা ইমাসু অদুম চিংশিনবীখ্রে। মতমদুগী ইরৈচাশিংনা খল্লম্বসু য়াই, ইমাবু নুংশিবগীনি হায়না। অদুবু ঙসিদি নুংশিবা য়াওদবা অপাম্বখক্কীরা হায়বদু হংনীংবা ফাওরক্লি। ইচম চম্না ইফন্দ-ফন্না খন্দোক্লবা ইরৈচাশিংসে অপঙ তাবগী ফীভমদা লাক্লে। চেকশিন্দবনসু মহানি। মীতোপ মীরান ময়াম অমা জর-জর হাইজিল্লকপদা অদুম য়েংদুনা লৈথোকখিবজাৎনি, চোংজবা খরনা য়ারোই-য়ারোই হায়না লাউজরবসু হাইজিল্লকপদি ঙসি ফাওবা লেপত্রি। কুমজা ২০১১গী মীকোক থীবদা মফম খরদা মরু ওইনা চীংগী মফম খরদা হেনগৎফম চাদনা খংহেন হেনগৎপগী য়াম্না ঙাঙনখি। হায়রিবদু নারোন দগী আইন্না য়াদবা মীতোপশিং চঙশিল্লকপগী নত্তনা করিবু ওইগনি। মীনুংশি চাউরিবা থৌজাল হৈরবা থৌশাদবা হায়দোইরা, কৈদৌরিনো খঙদে অদুম থিংহৌদে। শুকথিং থিংদে হায়ববুদি য়ারোই, মতম মতমগী ওইনা লূপ কয়ানা থিংবসু অদুম ময়াওই। অদুবু শক্তি পূম্নমক্কী তুংনফম ওইরিবা মতম মতমগী লৈঙাকশিংসু পাঙ্গল ইথোক থোক্তগুম করিগুম তৌখিব্রা, ঙসি ফাওবা তৌরিসিনি। কয়াদি থম্মোয় কায়রে, ঐখোয়গী লাইফল্লেন্দা শারোই খাঙগে তৌবদা মনুং চঙহন্দদুনা তৌবদু উবদা। মদুসু মপান্দগী চঙলকখিবা মীতোপ মীরানচাশিংনা। মদুদা খনখি, য়েলহৌমীনি হায়না পোঙজ ফঞ্জরিবা ঐখোয়সিদি আ মনীংদা লৈহৌরেদনা! থায়না নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতম ওইরল্লদি খঙদৌনি, ঐখোয়গী য়েলহৌ লাইনিং লাইচত্তা শীংনবনি হায়দুনা মরূ নুংদা তক্লগা মতোং শুনু লৌবা হায়বদুমক য়ৌরমগনি। কৈ কৈনো য়াম উরমগনিদা। মরূ কোকথোক্লগা শুনু য়াইঙং তৈশিল্লগা নুংশাদা য়াইফৌ ফৌবগী চৈরাক্কদুসু ফংলম্বা য়াই। খঙদেদা, ঐখোয়সু ঐগী ইপী ইপাশিংসু তশোন-তশোনবা হায়বদু ওইরব্রা?

অসুম্না ইরমদম অসিদা চহী খরগী মমাঙদগী লেপ্পা লৈতনা হাইজিল্লকখিবা মীতোপ কুকিশিংদু থিংনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলল্লবদি মে ৩,২০২৩দগী ঙসি ফাওবা মীতৈশিংনা মায়োক্লরিবা অৱা চৈথেং অসি লৈরম্লোই। ঙসিদি উখ্রুললোমদা তাঙ্খুলশিংসু ফ্রে-ফ্রে হাইদুনা খাঙলি। অমা ওইগেরা করি ওইগেরা ঙসিদি ইমাসে ইন্দিয়া মেপকী ফিবান্নুংদা লৈরি। ঐখোয়গী ইপী ইপা হায়বদু সেন্ট্রেল অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না ওইরি। অদুগা করিগীনো মচা ওইরে হায়রবসু ঐখোয়বু শিফম নাফম খঙদবমখৈ ওৎলিবা কুকি মিলিটেন্টশিংবু অসুক য়াম্না মনীং মখা তমহল্লিবসিবো! ঐখোয়সিবু লৈক্রক অহোবদগী থোরকপ্রা? মৈতৈ/মীতৈ হায়বা ঐখোয়সিবু লাই কনাগী শাপ লৈবনো? ইন্দিয়া লৈঙাক্কী থম্মোয়দা ঐখোয়বু নুংশিবগী ইহুল ঈরিক অমত্তসু পক্তবজাৎলা? জাৎ জাৎকী ৱাহং ময়াম থোরক্কদৌরি। কুকি টেররিষ্টশিংগী মথৌনাসিসু জাৎ অমনি, মরিন্দি পান্দবা থৌনা হায়নীংই। মরিল পাল্লদবু খুৎলায় পায়দবা মীচম মীয়াম নুপী অঙাংদা তাইনরিসি তাইনরমদৌরা! মরিল পাল্লবদি থেংনৌদনা মখোয়গী দিমান্দ পীবা ঙম্বা লৈঙাক্তদা। মশম ফোয়গেরা মনা ফোয়গেরা, মদুদি ঐখোয়গী ইথৌ নত্তে। ঙমদ ঙমদ্রগা জি জা তৌদুনা অদুম মরৈথোকউ। ময়াম অমসু লৈনরিসিনি। মদুসু নত্তবীদা চীংখোঙ চীংয়াদা লৈবা য়ুমশিংদা নোংমৈ লোনকাপ খরা কাপ, নেশনল হায়ৱেশিংদা খরা চোং ফন্দুনা লৈবদুদি অফবা মীনি হায়নীংদে।

নহান তাং ৬-৭কী লোন্নবা অহিংদা থোকখিবা থৌদোক্তু উরুবদা থম্মোয় শোক্তবা কনাবু য়াওরিগবা! মীসু লাই-তীলসু কিদবা কনাগুম্বা কনাগম্বী অমা অনীনা চুড়াচান্দপুরগী কৈথেলদুদা কোয়চৎ চৎলগা “কুকি মচা কনানো থোরকউ, ওপন চেলেঞ্জ’ হায়না লাউরম্মী হায়য়ু, লান লোইদ্রিঙৈসিদা কনাগী মচা মশুনো মওক্তগীনি হায়বু হায়গে। মদুসু নত্তে, ময়ূমদা তুমখুন তান্দুনা লৈজবা নাৱা অপিশক অনীদুবু অদুক তমথীনা...! নীংশিংগনু কাউখ্রো হায়বসু করম্না কাউদোইনো, শ্বর ফুন্নগৎকে তৌই। মতাংসি য়ৌশিল্লক্লদি হায়নীংলকই অসুম্না - “মপী মপা ওইরিবা ইবুংঙো! মণিপুর মীয়ামদি থৱায় পান্দবা চরুগী মী ওইনা উবীরনু। মীচম মীয়াম্বু ঙাকপী শেনবীগনি হায়দুনা লৈরিবা নখোয়না থাবীরকপা ফোর্সশিংসু লৈরুবগী ৱাহন্থোক লৈত্রে। ‘সাইলেন্স ইজ গোল্ডন’ হায়বসি য়াম্না থৱায় তাজবৈ মতৌদু হৌজিক্তি উৎপীরনু, মদু উৎপগী মতম নৎত্রে। মীয়ামগী অশাউবা পেন্দবগী চাংনা “সুম-সুম ৱাংখৎলক্লদি লাইয়ামসু শাউরকপা শোয়দে। লাইয়াম্না শাউরল্লদি অফবদি ওইররোই, প্রলয় ওইরকপসু খঙদে।” তশেংনমক হায়রবদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মণিপুরদা য়েংলিবা মীৎয়েংসিগী হায়রুবদি সনাগী য়েরুম কোকপী ইমাবুদি ত্রৎ-ত্রৎ লাউখৈ পাম্বা অদুগা নুংশিবদি নত্তবজাৎনি। ●

# য়ূম লিশিং মঙা শাগদৌরিবনি

- নবকুমার ওইনা -

পঙলাং লাংনবগী ৱাতনি, হৌজিক মৈতৈগী লৈফম হায়বা অমা লৈবা নৎত্রি। য়ূম লিশিং মঙা শাগনি হায়বসি লিলা অমনি। খোই উপু ময়াম য়েল্লি, খোই য়োকপদি ইয়াও য়াওনদবসি নিংশিংহল্লি। হান্নসু ময়াম শাখ্রে, ঈশিং চেনফম য়াওদে হায়ব্রা করিনো? অদুগী মথক্তা মতেং পাংবা য়াবা পাঙ্গনি হায়বসু তারি। করি হায়রিবনো, ইন্দিয়ানা মশাগী থৌদাং লৌদবা, মশাগী থবক ওইনা লৌদবা মানবা ৱাঙাঙ অমা য়াওরি।

লাইদা নিরগা ফংবদৌনা, লাই লাৎপগী ৱাদা, নিদ্রবদি করিসু ফংদে হায়না থাজনরে অসিরা? লোইলম শন্দোকপগী মওংদা ঙাঙলিবা নিংথৌ শাবগী ৱাঙাঙ ময়ামসিনা ইংনা-চিক্না লৈবগী ৱাদি লৈত্রিবনি। মসি য়ৌশিল্লক্লবদি মৈতৈনা মুৎখিবদা ইশাদা মাঙজবা নৎত্রগা তোংজবা অমতা লৈত্রে খল্লক্লে। মসি তাবদা শাওনীংবা য়াওনরকপদি য়াই। হান্না শাওনরম্লবদি ফগদৌবনি, শাওবা তপমল্লি, কংলৈপাক কৌরিঙৈদগী দুম শাওনরম্লবদি অসি য়ৌনা শোকচিল্লম্লোইদবনি। হৌজিক শাওগদৌরিবা ময়ামদুনা কনা-কনা ওইগদৌরিবা? য়ূম লিশিং মঙা অদুদা লৈরগনি খল্লিবা খরাদুরা? অদুসু চীংদা তংখায়, তমদা তংখায় শারগদি মখোয়দু ওনশিন-ওনশিন হাৎনরগা মপুন্সি লোমখিবা ঙায়বা তারি।

য়ূম অনৌবা শারগা লৈহনবা হায়বসি হান্নগী য়ূমদুদা লৈবা য়ারোই হায়বনি। থবক শুফম পীবগী ৱাদি তাদ্রি, ঙানু-য়েনগুম্না মতম খরা য়োকপা মানগদৌরিবনি। চহী মরিফু লৈমিন্নরক্লববু ইমুং মনুং ওইনালৌনবা ঙম্নদ্রিবনি হায়বসি অদুম খঙনরে। চীংদদি মরা চেত্তবা খুল ময়াম লৈরম্বদু তং-তাবা খুল ওইগদৌবা ওইরিগনি খল্লি। মী মশিংসু খংহেন হেনগৎলকপা য়ারি-চাগোক কুংনবনিনা।

তুং কুইনা হিংহৌগদৌরিবসি য়ূমশিং অদুদা লৈবশিং ওইগনি থাজদে। তমদদি তপ্না তপ্না অদুম শিথখ্রগদৌবনি, হান্নগী কংলৈচাশিং মুৎখিবা অদুগা মান্নখ্রগদৌবনি। শাওশিন্নরিবশিংদি কংলৈচাশিং অদুদি ওইররোই, মণিপুরী ওইগদৌরিব্রা, মীতৈ ওইগদৌরিব্রা, মৈতৈ ওইগদৌরিব্রা খঙবদি ৱারগনি। মিংশিং অসিদা খায়দোক্নদুনা লৈনরবনিনা খঙবা ঙম্লক্তবনি। লৈবাক্কীদমক্তা শাওজনীংবা খরসু করম্বা কাঙলূপ্তা য়াওগনি খঙনদ্রবনি। লাইগী মিংদা খায়দোক্লিব্রা, শাগৈ য়েংলগা খায়দোক্লিবা, চাকচা-ঙাচা য়েংলগা খায়দোক্লিবা, কুচু য়েংলগা খায়দোক্লিব্রা, অদুসু ময়েক শেংনা খঙবা ঙম্নদ্রে। হায়বদি পুনশিন্নবা ঙাংনফম অমা খঙনদ্রিবা মাল্লি।

নুংশিৎ অমা মনুংদা শিৎলিবদৌনা ‘হায়বা য়াদবা’ হায়বা অমা হেক-হেক পন্নরিবা অসিগী হায়রবদি মৈতৈ হায়বসি মুৎখ্রে, মীতৈ কৌরে নৎত্রগা মণিপুরী কৌরে হায়বা য়ারে। মণিপুরগী মপান্দা লৈবশিংনা হেন্না ময়েক শেংলক্লি। কছার-মণিপুরী, ত্রিপুরা-মণিপুরীহায়রিবসিনদি লমশিংদুদা মৈতৈ মুৎখ্রে হায়বনি। য়াম্না নুংঙাইরিবদি লাইনীং ওনখ্রগা সনা-মহি হায়বদু করিনো তাকপীগে হায়রকপসু য়াওরক্লিবনি। অসুম্না হায়রক্লবা হায়বসি মৈতৈদু মুৎখ্রে হায়রিবনি। লৈবা য়াওরগনা কৈদৌরিগে হায়বদুগী ৱানিদা। কছারদা লৈবা মৈতৈনা মৈতৈলোন ঙাঙদ্রে মণিপুরী ঙাঙলে হায়রবদি, লমদুদা লৈবা মারশিংনা ঙাঙলিবা মার লোন্দু মণিপুরী হায়দ্রিবনা করিগীনো খল্লকই। মারশিংদি মার লোন ঙাঙলি, মৈতৈ লৈরবদি মৈতৈলোনদু ঙাঙদ্রে হায়বদুনি। মাইরেলনা তোর্বোৎনি হায়বা মাল্লকপদুনি। কনা অমনদি মণিপুরী ঙাঙবমখৈ মৈতৈনি হায়রকপসু য়ারি, লোইনা হিন্দুনি হায়না য়াওনরিবসিনি। ৱা কায়রবদি ঈশিং চংই, ৱাকায় শুরবদি য়ূম কায় হায়বদু নীংশিংহল্লি। ৱাকায়লোন য়ামশিল্লক্লি। মসিমক্না পুন্নদনবগী অচৌবা মরম ওইরক্লবনি, কান্নবা নত্তে, হৈনবীনি।

য়ূমশিংদুদা লৈবা ফংদ্রিঙৈদা চাবা পুক থনবা ঙমদ্রে, অহাওবা চাবা ফংদ্রে হায়বনি। শিন্মী লূপ শেল্লগা থবক পীবিয়ু হায়বদি তাখিদ্রি, হৈত্রবসু তম্না-তম্না শুবা হৌগদৌবনি। শাজত্তি য়েংনরক্কনি, মীতোপ ময়াম থবক শুরি, থবক্তি লৈরি হায়বনি। লম্বীদা গাড়ী থৎলগা পোৎ খরা য়োনবনা চাবা পুবা ঙম্লগনি থাজদে। য়ূমশু মাঙখ্রে, হিংবসু নরন্নায়নি হায়বগুম্বনি। পাউ নুংঙাইনবা পঙহায় হায়নবনা খুল্লিংদ্রবশিং কনবা ঙম্লগনি হায়বা লৈতে। লৈঙাক্না ময়েক শেংলবা থৌশিল অমা থম্ফম থোকই। লাইশঙদৌনা খল্লগা লফোই-কবোক খরা চায়শিল্লগা য়াবা য়োংয়ামদু ওইনা উবদি লানগনি খল্লি।

ঈরাং অসিনা মীপূম খুদিং ৱাহল্লে হায়বদি লানগনি। অরাংফম ওইরিবা খরদি শেলদা লুপ্পি হায়বসু য়াওনরি। মীয়াম অমা ৱাহল্লি খল্লবসু মীওই অমা অনীনা ৱাহনবনি হায়বসু য়াদরি। শাজৎ অমননি। চহী চহুমগী মমাঙগী শাজৎশিংদগী নৈনবা চুমগনি খল্লি। ঈরাংসি মতম চানা লাকশিনবা ঙমহৌদবসি শাজৎ অরীবদা অশোয়বা য়াওই হায়বনি। হৌজিকসু শাজৎ চুমথোক্লবনি হায়বা য়াদ্রিবনি। পোপি লল্লোনবদি নাকল অমদা নুংঙাইরে হায়বসু লৈ, থাবদুনবু য়াহুৎফম লৈরিবনি, পুবদুনবু লম্বীদা ফারিবনি। য়াম্না থাবদুনা য়াম্না ফারিবনি। ফাগেরা-ফারোইরা থাবা লেপ্তে হায়বদুদি খঙইবনি। নাট অমা ওইরবনি।

য়ূম হায়বসি লাইশঙ ওইনা লৌনবসু য়াওরিবনি, লাইনিংথৌগী কা হাপ্পরিবনি। কূ মানবা য়ূমদুদা লৈয়ু হায়বসি নুংঙাইবা হৌনদে। খরা ৱাৎনা চাবসি ৱাখল থোকই হায়বসু লৈরিবনি। করি তৌগদগে খন্থনবা মতম ফজনা ফংনরবনি। চহী চহুমগী মমাঙগী মীশিংদুগী মচা-মশুশিংগী খনবদা ৱাবিবগী ৱাদুনি। মী হায়বদু ওইদনা অদুম্মক মুৎনখিবা তারিব্রা। মরীলদি পানমন্দে, মীঙোন্দদি মীথিবোং হায়না ঙাঙবা ঙম্বসু য়াওনরি। থবক্না অসুম চপশিল্লক্লি, পীশিল্লক্লি।

য়ূমদি শাদরি, টেররিজমদি চহী অনীগী মনুংদা লোইশিনগনিবু হায়রি। য়ূম মৈ থারিবা,ে নাংমৈ কাপ্লিবা, মী হাৎলিবশিং অসিদি টেররিষ্ট নত্তে হায়রিবনি। শুল্লগা থম্বা হায়নৈ, ভুট শান্নবা হায়বদুনি খন্নবসু লৈ। মরৈবাক মাঙখ্রবা, ময়ূম মকৈ লৈত্রবশিং অসিগী ৱাবিরিবশিংনা, ঙাঙবিরিবশিংনা অচুম্বা মায়কৈ অমদা পুবিরি হায়ববু য়ারগদ্রা? ইশানা ইশাদা হংজবা তারক্লি। লৌফমদি লৈরে, লৌমী লুচিংবদি মফম খঙনদরি। লাই ওইনা লাক্কদৌবা নত্তে, মী হায়বসি মখল য়াম্মী, অমবু অমনা থাজনদ্রবা মতমনি। পুন্সিদা তৌশিন্নবা মী য়াওরক্লবদি থবক অমত্তা মায় পাকপা ঙমদবসু য়ারিবনি। শাগদৌরিবা য়ূমশিং অসিদি তৌশিন্নবগী শাগদৌরিবনি হায়বমক্তি মাল্লরোয়, কুইনা লৈগদৌবা নত্তে হায়গনি। মী হাৎপা ঙল্লিবশিং অসিদি কুইনা থমখিগদৌরিবা করিগীনো?

য়ূমলিং-খুল্লিংবা হায়বসি লৈবাক ওইনা পান্নবনি, লৈবাক হায়বদুনা মুৎখ্রবদা খুল অমসুং উগী য়ূমদুদা করি কান্নগদৌরি। কাংলুপ হায়বদুনা মুৎখ্রবদা লাংথ্রৈ মতোন্না করি ঙমগদৌরিবনো। লৈঙাক লৈরক্তুবদা চেকয়ূম ময়ামসিনা লানবন ওইনগদৌরিব্রা? মদু উবা ফংনবা শিল্লিবসি মীয়াম অমননি হায়গনি। হুরানবা চঙবা ঙমদনবা শাবা য়ূমগা নুংশিৎ-নুংশাতগী শাবা য়ূমগদি অদুম খেন্ননা উগনি। লৈবাক অদুদি হুরানবা চঙবা ঙমদ্রবরা হায়বা ৱাহং লাক্লি। করিগী য়ূম, করিগী লৈঙাক, করিগী কাঙলূপ, করিগী নাৎ, করিগী মোন্দ্রংদা তাওরিবা? করিগী ইমা লৈবাক হায়রিবা!

য়ূম শাবিগনি হায়বসি তাবিরিবা ময়াম্না হরাওবা পোকপীবরা? লৈবা ফংলগদৌরিবশিংসু হরাওগদ্রা? নুংঙাইবা ফংলোইদবা ওইরবদি করিগী শাবিগদৌরিবনো? করিনো অমদি খঙনদ্রিবা ওইগদৌরি। হিংবগী মহাও য়াওরগদ্রা? ইরৈবাক হায়বদুবু মসিরা ইরৈচাশিংদা হংনরক্কনি। ●

# লৌহকপাট (জেলগী য়োংকী থোঙ) - ১

চারুচন্দ্র চক্রবর্ত্তীনা বংলাদা ইরম্বদগী
মৈতৈলোনদা কুমজা ১৯৬৯ দা
শ্রীশঞ্জেনবম নদীয়াচাঁদ সিংহ, বি এ না
হন্দোক্তুনা ফোঙলম্বা

হন্দোক্লোই অসি এক্স-মেম্বর মণিপুর ষ্টেট দরবার,
এক্স-মিনিষ্টর মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিল, এক্স-প্রসিদেন্ট মণিপুরী
সাহিত্য পরিষদনচিংবসু ওইরম্মী।

কর্ণগী মমা কুন্তীদেবীনা মহাক্কী পোকপদা ঙায়রিবা মচাবু সমুদ্রগী ঈথক্তা তাউথহনখি। মহাভারতকী নুংশিবা মী কায়নবগী পূক্নীংদা অৱাবা পোকহনবা অসিগুম্বা ৱারী অসিনা ঙসি ফাওবা ঐখোয়গী মীত্তগী পি শিন্থহল্লি। অদুবু ঐখোয়গী ইমাগী শকফম লৌবী বিশ্ববিদ্যালয় (University) না চহী খুদীংগী মচা চামা-চামা পোক্লগা মপান নাইদ্রবা সমুদ্রদা তাউথহল্লি, মখোয়গীদমক মী কনামতগী মমীত্তগী পি বিন্দু অমা তাদে। মপি তারল্লবদি মাদুতনা পর্ব্ব (অধ্যায়) তরানিপাল শুনা য়াওবা মহাভারত অমগা লেংবা য়ারমগনি।

নিয়ম চুম্না ঐবুসু ঐগী ন্যাশিহৈবী ALMA MATER (থৌজালহৈবী ইমা - অরীবা ছাত্রশিংনা মখোয়গী University বু কৌবা মীঙ্গৌ) না ঙকশমদা ডিপ্লোমাগী কবচ অমা য়ানবীদুনা নরাইবক্না তম্বা ফংজরুরো হায়দুনা নোংমা থাদোকপীরম্মী। ‘দ্বারভাঙ্গা’গী মবুক মনুংদগী থোকহল্লগা সংসার সমুদ্রগী ঈশিং ঈচেল ইরৈদা ঐবু হুনজিনবিরে। পীকখ্রবা কেরানীগী থবক্কী পোঙ মচা অমতং থিদুনা পীবিনবা উপাধি (title) ফংবা মামা, অভিভাবক (guardian) ওইবদা মনীং থুংলবা ইমাগা পোকমিন্নবা ইন্দোলগী মৱা খুড়া, অদু পূম্নমক তোক্তুনা মচানীপা পোক্তবা চৈগন থাংগনবা ইকুবোক ফাওবা ঐ থিবা ফংলমদে। অঙৌবা জিনগী প্যান্ট (খোঙগ্রাও) অমগা নিম মচুগী তসরেট কোট অমগনা ঐগী জীব হিংনবা উপায় ওইরম্মী। অসিগুম্বা ফীজোল অসি শেৎতুনা ঘাট (তুরেলগী হিদেন) খুদীংদা চৈগী চৈনাখোল ফংদুনা ঈশিংদা তাউদুনা চৎপা হৌরক্লে।

মরক মরক্তা শিকার (শাতানবা) তৌদুনা হাকিম ফাবগী কান্নবা লৈরক্লবা কান্দা, পূকচেল চাউবা সরকারনা অসিগুম্বা মবুক লাম্লবা ঈশিংদা তাউদুনা লৈবা জীবশিং অসিগী মচীন ময়াদা Competitive Examination গী ঙা ফানবা তিল য়াওবা খোই হুনজিনবিরম্মী। অদু উবদা ডিগ্রি ফংলবা মীদলগী মীয়াম্না কারাম চাউবা ওইরক্লে। অদুগী মতুংদা উবা ফংখরে - মী অয়াম্বনা খোইগী তীল য়োৎখ্রে, অদুবু কংফালদা চিংখৎলকপদি মী অনী-মরিদনি, - চিংখৎলক্লিবা মীশিং অসি তশেংনা ফবা নিপামচা ঙাক্তনি; হায়বদি পরিক্ষাগী খাতাদা নম্বর য়াম্না ফংবা, অদুদি ওইরগা পুন্সিগী খাতাদা নম্বর তাদ্রিবা মীতানি। ঐগী মরুপশিংগী মনুংদা দল অমদি অসিগী মনুংদা কংফাল কাখরে। মখোয়গী মরক্তা কনা কনাগুম্বনা ঐঙোন্দা আশা পীরম্মী, কনাগুম্বা মী অমগী মখূত্তগী অঙ্গৈংবা ঈশিং নোংগুম্না চুথরম্মী। মখোয়না হায়রম্মী, মসি পরিক্ষা নত্তে, লাং থাকপনি। থাউনা চোৎপা, মরেংবান নোন্থবা, হায়বা ইনবা গুডবয় দল অমা চাকরিগীদমক সরকারনা পাল্লম্মী। শল লাবগী পোপু মরেংবান্দা হাপ্তুনা চেনবা, অদুদি ওইরগা করিগুম্বা অবস্থাদসু মকোক হাইগৎলোইদবা মীতানি। নঙদি মদু ঙম্মোই। অসিগুম্বা অফবা গুণ অসি ঐগী লৈ নৎত্রগা করিগুম্বা কালদা লৈরকপা য়াই হায়বগী ঐগী ইশাবু ঐনা থাজবা লৈরমদে। অদুদি ওইরগা মতম অদুদা application অদুগা interview দা অহাওবা মহাও য়াওরকত্রে, ঐগী মায় অসি হোংননবগীদমক সরকারী পরিক্ষাগী ঙা ফানবা খোই অদু ঐসু নোংমা য়োৎলে।

শ্রীকান্তনা হায়রম্মী, ইংরেজীনা পানবা মতমদা ডাক্তরশিংগী তৌবা ঙম্বা শক্তি য়াম্না কল্লি। শা হাৎতুনা য়োনবা দোকান তানা পুদুনা চৎলবা শা ফাওবা জবাই (হায়বদি কোরাণগী মন্ত্র শোন্দুনা আল্লাগী চরণদা কৎতুনা শাগী মঙক ককপা) গী অধিকার ফংফম থোকপদু ফাওবা রিন্দরপেষ্ট অনাবা পকপরা য়েংলিবা ডাক্তরশিংগী মায় য়েংদুনা লৈবা তাই।

ঐ মীনাই শঙগী যাত্রি (তীর্থ চৎপা মী) নি। মরম অসিনা মসি প্লেগ কৌবা লায়নাগী লায়েংবদা নত্তে, মদুদগীসু হেন্না অকিবা মশক্লি অমসুং মতম য়াম্না চঙনা ডাক্তরনা য়েংনবা, শক্তি পূম্নমক লৈবা Medical Board কী দরবারদা ঐগী অচম্বা করিসু লৈতবা হকচাং অসিবু কৌরে। মেদিক্যাল বোর্ড! মশানা ভোগ তৌরুবা হায়বদি থেংনরুবা ঐগী ময়াংকংবা মরূপ অমনা মমীত্তগী মপি তাদুনা পোৎ অসিগী মমিং হাঁড়িকাঠ (যজ্ঞদা বলি তৌনবা শাগী মঙক থমফম উতুপ) হায়না থোল্লম্মী। মদুগী নুংশিবনা কোনশিনবা অদুগী ৱা খল্লুবদা মঙোন্দগী হেন্না য়াংকংবা ঐগী খৌরী চরম অসি তোয়না তোয়না অকিবা ফংলে। ঐগী মরুপশিংনা শান্তি ফংনবা আশা পীরম্মী। ঐগী ফনবা নীংবা মীশিংনা পাউতাক পীরম্মী। কনাগুম্বা মী অমনা হায়রম্মী - ডাম্বেল অভ্যাস তৌ (শান্নৌ); কনাগুম্বনা শামু নৎত্রগা শন্দংগী চর্ব্বী মহাও চাও, কনাগুম্বনা হায়রম্মী কাশ্মীর নৎত্রগা উটকামণ্ডদা কোয়রু। অসোমদা interview তৌগদবা মতম নুমিৎ ১৪নিদা মঙায়রে।

মী পূম্নমক্কী মতুংদা, মী পূম্নমক্তগী হেন্না জ্ঞান লৈবা নিপা ঐখোয়গী বোর্ডিংগী ম্যানেজর হরিপাণ্ডা লাক্লম্মী। ঐগী ফত্তবা অবস্থা উরদুনা মহাক্না পূক্নিংগী অৱাবা ফোঙদোক্লম্মী। অদুগী মতুংদা তপ্না তপ্না হায়রম্মী - অচুম্বা লম্বী অমা লৈ। অদুবু নহাক্না পামগদরা? নখোয়দি পূম্নমক-

মাগী ৱা থদৎতুনা ঐনা নোল্লুক্না হায়রম্মী - ঐবু কনবিয়ু হরিবাবু; ঐগী খুদোংথীবা অসিদা নহাক অসি ঐগী অমত্তা ঙায়বা আশানি। হরিপাণ্ডানা ঙাইহাক ৱাখল তৌরগা লোন্না হায়রম্মী - আলু অফুৎপা চাবিয়ু।

আলু অফুৎপা!

আলু অফুৎপদনি, মদুগা লোয়ননা চাক চরা অনী। চয়োল অমগী মতুংদা নহাক্কী ফুরিৎশিং অদু চিনমন্দুনা লিৎপা য়াদবা হায়বদু ওইরকত্রবদি ঐগী ইমীং হরিপাণ্ডা নত্তে!

মপান নাইদ্রবা সমুদ্রগী মপান উবা ফংলে। এনশাং-হৱাইথোংবা, ঙা-শা, শঙ্গোম-ঘী চাদ্রদুনা তা তাদুনা লৈরে। চাক অদুগা আলু অফুৎপা, আলু অফুৎপা অদুগা চাক মথং মথং নুমিৎ ১৪নি চারে। ম্যানেজরনা ঐবু চানবী। থা লোইবদা বোর্ডিংগী চার্জ্জ পুরা লৌদুনা ঐবু মুক্তি (অরান খুবম) পীবিরে, মহাক্না ঐঙোন্দা পীবিখিবা পাউতাক অদুগী মমল হিসাব তৌদুনা অহেনবা শেল পীয়ু হায়বিদরে।

অদুবু অসুক য়াম্না সেবা তৌরবসু, অসুক য়াম্না নাকোং ৱাই চিনবা ৱা তারবসু ঐগী হকচাং মহাশয়গী মপূক্নিং থুংহনবা ঙমখিদরে। হকচাংগী অরুম্বা অমসুং থবাক অকোয়বগী ওনবা মাপ-অনীমক ঐগী ফত্তবা সাক্ষীশিংগী মরক্তা মমীং ইহনখরে। বোর্ডকী মেম্বরশিং শুকথখরে। অদুবু ডাক্তরগী অভিধান (dictionary) দা নীংবা কায়বা কৌবা ৱা অমত্তা লৈতে। শক্তি য়াম্না শীজিন্নদুনা পরিক্ষা হৌরে। ফত্তবা অঙাংগী মখূত্তা সেলুলয়েডকী লাইফদিবী তারুরগা মদুগী ওইবা দশা অদু, লান্দগী হল্লকপা আই, এম, এস ডাক্তর অহুম্না পুন্না লান্দারকপদা ঐগী য়াঙকংবা হকচাংগী ওইবা ফীভম অদুপ য়াম্না ফত্তবা ওইদরে। পুক মেৎতুনা, থবাক্তা য়ৈদুনা, য়া চিংদুনা, হীপহন্দুনা, ফমহন্দুনা খৌনাও মনুংদা চৈ থিংজন্দুনা, চেলহন্দুনা, চোংহন্দুনা অমসুং খাঙবা ৱাবা অমসুং ফজদবা ইকাইবা পীবা থবক কয়ামুক তৌদুনা (মদু ডাক্তরদদা ওইবা য়াবা) মখোয়না ঐবু থাদোকপা মতমদা, ঐনা খল্লম্মী, চাকরি তৌবগী মতিক চাবা জীবনি শক্তি (মী ওইনা পানবা ঙম্নবা হকচাংগী পাঙ্গল) পূম্নমক অদু পরিক্ষা তৌবা লাকপদা, মখোয়গী মখূত্তা লোইখরে, চাকরি তৌনবগী অরেম্বা শক্তি লৈহৌদরে। অদুবু করম্বা পুণ্যননো খঙদে, হরিপাণ্ডাগী আলু মতুমগী কৃপানা ওইরম্বসু য়াই, মমৈথংদা কসাইখানা (শা হাত্তুনা য়োন্নবা শেম্বা মফম) গী মপুশিং পেনবিরে। ঐগী নঙ্গনগী মথক্তা দাগ অমা তারে - ফিট (Fit)

করিগুম্বা মওং অমা তৌদুনা বৈতরণী (শিরগা আত্মানা লানবা তুরেল) লান্দুনা লাক্লে। হাকিম ওইবগী স্বর্গ কাবদা অপনবা লৈতরে। ঐগী ফনবা নীংবা মীশিং তথক তথক তৌরক্লে। মরূপশিংগী থৌনা ইচঙ থৌবগী ময়াঙ কংদুনা লৈরম্বা ঈশিং অদুদা জোয়ার (ঈশিং চাউখৎপা) কারে। মখোয়না ঐবু Congratulation গী ঈশিং ঈচাওদা ঈরাক্নহল্লে। অদুবু কদায় কৌসু কৌরক্তে? ঐগী মোহর নম্বা গদি (ফমফম) অদু হাঙদুনা লৈখ্রগদ্রা? নোংমগী মতুংদা নোংমা হৌখরে। হিজ মেজিষ্টেস সর্ভিসকী পাউ পুদুনা বাদামী (বাদাম) মচুগী লেফাফা অমত্তা লাক্তরে।

অহানবদা থৱায় নুংঙাইতবা অমসুং শাউনীংবা পোক্লম্মী, অদুবু মমৈদা ঐগী পূক্নিং থেমজিন্দুনা শান্তি পীরম্মী। মসি ফরে। হাকিমি (হাকিম ওইবা) গী মোহগর্ত (শুমহৎপা লৈখুন্দা) দা ভগবান্না থাদবিদদুনা ঐবু লালদিঘিগী লৌবুক্তা পুরক্তুনা থাদোকপীরে। করিসু লৈতবা বিঘা অনীগী মহুত্তা পাকচাউখ্রবা Secretariat কী বিশ্ব সংসার (জগৎ সংসার) অপূম্বা ইদুনা পীরে। অমুক লান্দাবা হৌরে। জীনগী প্যান্ট (খোংগ্রাও) অমসুং তসরেটকী কোটকী মথক্তা হন্না হন্না মচু শঙবা অমসুং শুচাম্বগী নম্বর তাবা হৌরক্লে।

বাঙ্গালা সরকারগী মন্ত্রি অমা চাকরিগী মিহৌনবা মশক ওইবা বাদাম আঙ্গুরগুম্বা হৈ খরা পায়দুনা চট্টগ্রামগী চীংদুম অমগী মথক্তা ঙাইদুনা লৈরে হায়বা খবর কাগজগী পাউ অমা মতম অসিদা তাবা ফংলে। ঐগুম্বা হীরা মচেৎ অমা উরবদি অচৌবা হৈ অমা ঐগী খূত্তা হাপকনি হায়বগী মরমদা ঐগী চিংনবা লৈরমদে। য়াম্না শাংবা পাকপা থবক হাপ্পীয়ু হায়বগী Testimonial অমা থিরুদুনা ফংলে। মসি পীরিবা নিপাসি মন্ত্রিগী য়াম্না চান্নবা মরূপ্পি অদুগা মখোয় অনী মরূপ ওইবসি মরূ ওইনা গ্লাস (য়ু থকমিন্নবদগীনি) ননি হায়বা ৱা তারে। মরম অদুনা চাকরিগী মরমদা চিন্তা তৌবা তৌদনা চট্টগ্রাম তানা চেল্লে।

ফজখ্রবা বাংলোনি। অকোয়বদা নীংথিনা শেম শাদুনা লৈরম্মী। মখল য়াম্বা ফিজোল শেৎপা হায়জ-চচ্চবা মীনা থন্না লৈরম্লে। অদুবু মন্ত্রি সাহেবপু উবা ফংলমদে। মহাক বাংলোগা শম্নবা গোপালগী লৈকোন্দা অয়ূক কোইবা শাশিন্নদুনা য়াম্না ফজবা লিক্লিগী পাত্র অমদা পোমশাৎনবা গোলাপকী মনুংদগী অহীংগী লীক্লা লৌশিল্লি হায়বা পুং অমরোম ঙাইরবা মতুংদা খঙনরক্লে। মাইকৈ অদোমদা য়েংলগা ঐনা পূক্নিংদা খল্লকই, তলব য়াম্না চাউবা ফম (highly paid post) দা থবক তৌবা, থবক শুবগী অৱাবা খঙদবা অসিগুম্বা মন্ত্রিশিংনা কয়াদা কন্না থবক শুবা তাবনো?

পুং অমসু হৌখরে। মমৈথংদা শিবা কিদনা গোলাপকী কুঞ্জ অদুদা মপুগী য়াথং য়াওদনা চঙদুনা মন্ত্রি বাহাদুরদা কোক নোম্থদুনা ঐনা সেলাম তৌরম্মী। মহাক্না কাজ্জল থাবা তথক তথকপা মমীৎ অদু লাওনা পাংথোক্তুনা ঐঙোন্দা য়েংলকই অমসুং testimonial গা লোয়ননা ঐগী দরখাস্থ লৌরম্মী। বক্তৃতা মচা অমতং তৌদুনা (ৱা খরা ঙাঙদুনা) মহাক্না ঐবু চানবীয়ু হায়জরম্মী। অথোইবা মন্ত্রিনা ঐগী ৱাগী পাউখুম পীরমদে। নোকফেৎ তৌদুনা অমুক হন্না লীক্লা লৌশিনবা মথৱায় য়াওনা হোৎনরম্মী।

পুং অহুম হৌখ্রবদা মন্ত্রিগী সেক্রেটরিগী মফমদা চঙজরে। ঐগী দরখাস্থগী ৱা হংবদা মহাক্না ইংরেজি লোন্দা য়াম্না শুকথদুনা খঙহল্লকই - মদুগী জবাব ডাকনা লাক্কনি।

চহী ২৪ থা ৭ হৌখরে। ডাকঘরদগী পাউ অদু হৌজিক ফাওবা লাক্তরি। মতম খরসু ৱাৎলমখিবা য়াই। ফম হাপ্পীরবসু হাপ্পীদ্রবসু পীবিয়ু হায়না নিরুবা নত্তবা অমসুং জ্ঞান য়াম্না য়াওবা পাউতাক পীবদা মী কনাসু লীকপা তৌদে। রেজিষ্ট্রেশন ডিপার্টমেন্টকী মকোক ওইরিবা অফিসার অদুনা ঐবু তরাম তরাম ফমহল্লে। দেশকী মনুংদা চাকরি ফংদবগী অরুবা ৱাফম, মচানুপী লুহোংবদা অঙনপোৎ পীবগী নিয়ম, ফম প্রমোশন পীবদা গভর্ণমেন্টনা বিচার চুম্না তৌদবা অসিনচিংবা অচৌ অচৌবা বিষয় শাংনা নৈনরবা মতুংদা মহাক্না হায়রকই - থবক অমতং তৌবিয়ু। চাকরি তৌরগা করি ওইগদবনো? মখূৎনা লাঙ্গল পায়দবদগী বাঙ্গালীগী ফত্তবা দশা ওইরিবা অসিনি। মখোয়গী লৈপাক য়েংবীয়ু । লয়েড জর্জ্জগী মপানা খোংউপ তুরম্মী। ফোর্ড মিস্ত্রী ওইরম্মী। অদুবু-

ঐনা করিসু লৈতবা মাষ্টারীগী থবক ফংগে হোৎনরি হায়বা পাউ তাদুনা শিক্ষা বিভাগ (Education Department) কী মকোক ওইরিবা অফিসার অদুগী মতেং পাংবা অফিসার অদু নোংমা মথৱায় য়াম্না নুংঙাইতরে। মহাক্না হায়রম্মী, ইয়ংমেন, নথৱায় নুংঙাইতদুনা কৈদৌনবনো? লৱায়দা চৎলু, য়ূম য়ূম খুদীংদা শিক্ষা (মহৈ তম্বা) শন্দোকলু। শরৎচাটুর্জ্জেগী পল্লী-সমাজ কৌবা লাইরিক পাবিরবরা? বিশ্বেশ্বরীনা হায়রম্মী - মৈ থানগৎলু রমেশ, মৈ থানগৎলু।

হৌজিক ঐখোয়গী পাখংশিংনা মৈ থানগৎকদবনি।

Excise অফিসতগী Veterinary, Health দগী Fishery - অফিস অমতা খাকতরে। ঐগী খোংউপকী সোল অহুম্লক শেম্লে। ঐগী তসরেটকী নিম মচুগী কোট অদু মৈখু মচু মানখরে। মফম অনীদি মনাক চঙলুদরি- জেল অদুগা পুলিস। করিননো খঙদে, মখোয়সিগী মরমদা ঐগী পূক্নীংদা অকীবা অমা লৈরম্মী। অদুবু জেল বিভাগকী কুচু ঙৌবা ইন্সপেক্টর জেনরেল অচৌ অশাংবা লেফটেন্যান্ট কার্নেল আই; এম, এস অমনা মশামক্না ইখঙ খঙহৌদনা ঐবু কৌবা অদুদা মীওইবগী মরাইবক লৌদুনা শান্নবা যাদুকর (যাদু তৌবা নিপা) অদু মপূক্নিংদা নোক্লম্বা য়াই। কিনা কিনা মহাক্কী মমাঙদা চঙদুনা লেপ্পুরে। ৱাহৌদোক য়াওদনা মহাক্না হায়রকই - নঙগী ৱাফম য়েংলে। ভেরী সেড। অদু ওইসনু। ঐ নহাকপু লৌশিল্লগে নীংলে। চাকরি তৌবা হায়বসি অসিনি, মদুগী মতুংদা ওইরক্কদবা মওংনা অসিনি- অসিনচিংবগী মরমদা ঐগী পূক্নীং চিংশিনবা বর্ননা (শন্দোক্না তাকপা) অমা পীরে-মদু তাবদা ঐনা খল্লে মসি চাকরি নত্তে, মাগী থাজবা য়ারবী লুহোংদ্রিবী মচানুপীনি, ঐবু খ্বাইদগী হেন্না মতিক চাবা বরনি খন্দুনা ঐবু লৌহনগে হোৎনরি। ধন্যবাদ (তৌবীমল খঙবা উৎপা - thanks) কা লোয়ননা ঐ য়াজরে হায়রমদুনা ঐ থোরক্লে; মহাক্না অমুক কৌদুনা হায়রকই, নঙ নয়াঙ য়াম্না কংই। You should get a healthy station. দার্জিলিংদা চৎলু। করি হায়বগে?

চৎনবী নিয়মদি কায়রে। ঐগুম্বা থবক হৈতবা recruit অমবু সেন্ট্রেল জেল অমদা চহী খরদং apprentice ওইনা থম্বা চুম্বনি। দার্জিলিংগুম্বা অপীকপা মফম ঐনা ফংফম থোক্তে।

নোং হাংখ্রবা শরৎ (থৱাল-লাংবল) কী মতমগী নোংমা সন্ধ্যাগী মতমদা ঐ যাত্রা তৌদুনা চৎপা হৌরে। নোং মংদুনতা লৈবা লৈপাক তম্না চৎলে। অদু ওইরবসু আশ্রয় অমা ফংলে। পীক্লবসু চাউরবসু উপায় অমা ফংলে। নীংজিং মাংজিংনবগী মশক ওইবা অরেপ্পা লৈতবদুদি লোইরে। অসিগুম্বা ৱাসি নুমিৎ অদুদা ঐ খন্দবা নত্তে। অদুবু পূম্নমক অসি য়েক্তুনা ঐগী পূক্নীংদা অকিবা অমা ফাওরে। শক খঙনদবা অভিষ্যং (মতুং) নি। চোংবদি চোংশিল্লে। মাগী অরোনবা অমম্বা গর্ভদা করি লৈবগে হায়বা কনানা খঙগনি। ●

(মখা চৎথজরকখিগনি)

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।